

নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী সেপাক টাক্রো শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): কর্নাটাকাগী দেবাঙ্গিদা থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৬শুবা সব-জুনিয়র অমসুং ২৭শুবা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গর্লসতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী নুপা সেপাক টাক্রো প্লেয়র ২৪ অমদি নুপীগী শান্নরোয় ২৪ লোয়ননা কোচ ২ অমসুং মেনেজর ২ য়াওনা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসন (এ এম এস টি এ)গী সেক্রেটরি জেনরেল পি দুরজিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবশিংগী মনুংদা ২৬শুবা সব-জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবশিংদি নুপাগীদা এস রোবর্টসন, ঐচ রোশন, ঐচ বিকাশ, ঈ সনাথোই, দব্লিয়ু লেনিন, এল থোইথোইবা, টি দেনিসন, এন মংলেম্বা, টি ঐচ কর্নজিৎ, সী ঐচ বাসিল, এম রেয়ানো, সী ঐচ বিমেক্স অদুগা নুপীগীদনা সী ঐচ প্রিয়াঙ্কা, পি লৈঙাকপী, ঈ কমলা, ৱাই মোনালিসা, পি অজোকা, কে ঐচ সোমা, টি থোইথোইবী, কে ঐচ সেলি, দব্লিয়ু রোশিলা, এল চাওবা, এল সিল্কি অমসুং এস ভিক্টোরিয়ানি।

২৭শুবা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা নুপাগীদা এন ভিশাল, ঐচ অনিশ, টি ঐচ রোবিনসন, এল সনাতোম্বা, সী ঐচ অনন্দ, এম অশোক, এস ঐচ অদর্শ, সাগর এম, ঈ অরুন, ও হশকুমার, এস রোশন, এম নিংতম্বনি। অদুগা নুপীগীদনা সী ঐচ গাইত্রি, এল প্রিয়ালক্ষ্মী, সী ঐচ দেবিকা, এল লিন্থোই, টি মোনালিসা, মালেমঙানবী ৱাই, এন রিনা, এস দাইনা, এম লাতালক্ষ্মী, কে ঐচ দাইনা, এল লিন্থোইঙানবী অমসুং সী ঐচ জেনিফরনি।

নিপানলক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

পি টি আর সী পাৎসোইনা রুল মৈত্রম থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪না রুল মৈত্রমবু মায়থীবা পীখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি পি টি আর সী অমসুং রুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি টি আর সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা জোটিন অমসুং রোবিনসননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। জোটিন বোল ১০দা রন ৫ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা রোবিনসননা বোল ৬৭তা রন ৩৯ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৪ লোইবদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৪০ লৌবা ঙমখি।

রুলনা টার্গেট রন ১৪১ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ঈশ্বরজিৎ অমসুং সুরেশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনসু ওপনর বেটসমেন ঈশ্বরজিৎ বোল ১৬ মায়োক্লবদা শুপ্নতগী রন ৪ খক লৌরম্লগা রাজকুমার রেক্সকী বোলদা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন সুরেশনা বোল ৪৫দা রন ২১ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন জেনা বোল ৭০ মায়োক্লবদর রন ২৮ অদুগা সোমোকান্তনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা রন ২৩ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী য়ৌনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩৩.৫ দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১১৮দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪না রন ২২দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অম্পায়রশিংনা নন্দরাজ অমসুং ফোলেন্দ্রোনা ওইখি।

ষ্টেট আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন (এম এ এ)না শীন্দুনা শীংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা ঙরাংদগী হৌরগা চথরিবা ৩৮শুবা ষ্টেট আর্মরেষ্টলিং অমসুং পেরা আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ ঙসি লোইশিনখ্রে।

মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল শরতনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মকোক-মথং তাখ্রবা আর্মরেষ্টলরশিংদা মেদলশিং য়েন্থোকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটেগোরিশিংগী ফাইনেল বাউটকী অথোই-অহেন কন্না চাংদম্নখি। লোয়ননা চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়নগী বাউট অমসু চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মাংওইননা চাংদম্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

য়ুঠকী কেজি ৭৭কী কেটেগোরিগী ওই অমসুং য়েৎ থংবা খূৎকী ফাইনেল বাউটতা গুরুময়ুম সুন্দরলালনা মেক্সৱেলবু মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখ্রে। মাষ্টরগী কেজি ৮০গী কেটেগোরিদা য়েৎ থংবা খূৎকী ফাইনেল বাউটতা এল চিত্রেশ্বরনা কুমাম শ্যামকিশোরবু মায়থীবা পীরগা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা সিনিয়র মেন্সকী কেজি ৫৫গী ওই অমসুং য়েৎ থংবা খূৎকী ফাইনেল বাউটতা ক্ষেত্রিময়ুম উমাকান্তনা কে ঐচ রোবিন্দ্রোবু মায়থীবা পীরগা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ৱেথ কেটেগোরি অসিগী ওইনা লুংচুৱাক লুং দিনা ৩শুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এল শরতনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খূদিংমক্তা পূক্নিং থৌগৎপগী ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি।

য়ুঠ দিভলপমেন্টকী হেদ ওইনা খূৎয়েক পীনখিবদা এফ সী ইম্ফাল সিটিনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্নি

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অহানবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না এক্রিদিটেসন পীরবা একাদেমি অমা ওইরিবা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী হান্নগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় থাংজম শরনবু য়ুঠ দিভলপমেন্টকী হেদ ওইনা ঙসি খূৎয়েক পীনখিবা অদুবু ফুটবোল ক্লব ইম্ফাল সিটিগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্নি।

ফুটবোল ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এফ সী ইম্ফাল সিটি হৌখিবা কুমজা ২০১৬তা কোংবা নান্দৈবম লৈকাইদা লিংখৎতুনা মণিপুরগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু রেসিদেন্সিএল এন্দ নন-রেসিদেন্সিএলগী খূদোংচাবা পীদুনা ফুটবোল মশান্নবু চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। এফ সী ইম্ফাল সিটি একাদেমিদগী হৌখিবা শান্নরোয় কয়া ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমসুং আই লীগকী থাক্তা শান্নরি। মমিং খরদং পল্লবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদা শান্নরিবা দেনি লাইশ্রম, চেন্নাইন এফ সীদা শান্নরিবা থাংলাসোন গাংটে, এফ সী গোৱাদা শান্নরিবা লেমমেট টাংভা অমসুং পঞ্জাব এফ সীদা শান্নরিবা তেকচম অভিশেক মমিং পনবা য়াই।

অমরোমদা, ঙসি য়ুঠ দিভলপমেন্টকী হেদ ওইনা খূৎয়েক পীনখ্রবা থাংজম শরন ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা মায় পাক্না শান্নরম্লবা কোচ অমখক্নি। মহাক তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং চর্চিল ব্রদর্স, জে সী টি অমদি মুম্বাই সিটিদসু হান্না শান্নরমখ্রে।

অহানবা হৈবোক ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

অরাপ্তি এফ সী অমসুং এন সী পি ময়াং ইম্ফাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা হৌজিক লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা হৈবোক ট্রোফি ৫-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা অরাপ্তি এফ সীনা ইমান্নবা এফ সী (নম্বোল) অদুগা এন সী পি ময়াং ইম্ফালনা পি এফ এ ৱাঙ্গৈই মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা অরাপ্তি এফ সী অমসুং ইমান্নবা এফ সী অনীগী শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অরাপ্তি এফ সীনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১০-০দা ইমান্নবা এফ সীবু মায়থীবা পীখিবনি। অরাপ্তি এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২, ১৬ অমসুং ৩১শুবা মিনটতা থোইথোইনা অহুম, ২, ৭, ১৮, ১৯ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা ইন্দ্রনা মঙা, ৮ অমসুং ১১ শুবা মিনটতা রোনাল্ডোনা অনী চনখিবনি।

এন সী পি অমসুং পি এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মতুং পেনাল্টি কাওনবদা এন সী পিগী ওইনা পাঞ্জল ২ অদুগা পি এফ এগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এন সী পিনা পাঞ্জল ৪-২দা থোইখিবনি।

[illegible]/ অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা নোবাব মশিনগুম্না পোমথোরকপা, অমাংথোঙদগী মচুমসু তারকপগা খোঙ্গ্রাউদা চোৎপা, খোঙ হাম্বগী শংবদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা নোবাব মশিনগুম্না পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, নোবাব মশিনগুম্না পোমথোরকপা অদুনা খোঙ্গ্রাউ শেৎপদা, খোঙ্গ্রাউদা থেংলগা নাবা, ফম্বসু ঙমদবা, অমাংথোঙদগী মচুম তারক্লগা খোঙ্গ্রাউদা চোৎপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ অদু তাখিবনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হেমোগ্লোবিনসু ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং অসি য়াম্না শোন্থবা পোত্থারগতা লৈনিংবা, করিমত্তা শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিকপা অমদি নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা চাবা-থকপসু য়াদবা অমদি পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, অমাংথোঙ অসি লুমথবগুম তৌবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, ফম্বী য়াম্না শোনবা, খোঙয়া শাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/25 *থাগৎচরিবা :* **N. Jatra Singh,** Pheidinga

খো-খো সিনিয়র টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): ন্যু দেল্লীগী কর্নেল সিংহ ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৮দগী হৌরগা মথং থাগী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫৬লক শুবা সিনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০২৩-২৪দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী খো-খো সিনিয়র টিম ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মধুসনা, দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী সিনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর এস দেভিদ, মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ অশোক অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি ঐচ প্রেমকুমারনচিংবা মেম্বর কয়ামুক য়াওনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী লমথাখিবনি। ঙসি লমথাখ্রবা টিম অদুদা পুন্না নুপা শান্নরোয় ১৫, নুপী শান্নরোয় ১৫ অমসুং ওফিসল ৯ য়াওরি। ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা টিম অসিগী নুপাগী মেনেজরনা কে ঐচ রাজমোহোন অদুগা নুপীগী মেনেজরনা কে ঐচ রেবিতানা ওইরি অমদি নুপাগী কোচতনা আর কে ইমো অদুগা নুপীগীদনা কে কাপিল কুমারনা ওইরি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]/অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু কংলগা খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান্দা চেখোয়রগা ঈ থোকপা য়াম্না থুপ্পা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু কংবনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্বা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু কংলগা খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মপান্দা চেখোয়রগা ঈ থোকপা য়াম্না থুপ্পা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু কংবনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্বা অমদি হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ ওইনা হাম্বা, খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপদা খাঙবা ঙমদবা, লম চখোকপদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা মনাঙ য়াওরকপা, মনাঙ য়াওরকপদা হকচাং য়াম্না চোকথবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মনুংদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা খূৎনা ইনশিল্লবসু চঙউ য়াদবা, ফান অমদি চ্যেরদা ফম্বসু য়াদবা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, মচীনসু নাইদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/25 *থাগৎচরিবা :* **S. Rokyshor,** Kwakeithel

[illegible]

[illegible]

[illegible] / ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination 2003 bearing Roll No. 7884 issued by Board of Secondary Education, Manipur on the way between Pallel and Kakching Keithel on 12th March, 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Mayengbam Sunilkumar Singh**
Pallel Mamang Leikai,
# 9612483721

HL-P/10192/24,25

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: DEPARTMENT OF EDUCATION-S
*****

[illegible] / Clarification on Pre-Primary Recruitment

Imphal, the 24th March, 2024

1. Notification dated 09.03.2024 of Director, Education-S, Manipur regarding the qualifications for engagement of Pre-Primary Teacher says thatin case there are not enough candidates who have completed the Diploma in Nursery Teacher Education/ Pre-School Education/ Early Childhood Education Programme (D.E.C.Ed) or B.Ed. (Nursery) from NCTE recognised institution, only then candidates with relaxed qualification may be considered for engagement.
2. There is not a single institute in Manipur and the entire North east recognized by NCTE offering Diploma in Nursery Teacher Education/ Pre-School Education/ Early Childhood Education Programme (D.E.C.Ed) or B.Ed. (Nursery) recognised by NCTE. Hence, the provision for relaxation of qualifications was considered.
3. Pre-Primary School/Section or Early Childhood Care and Education has been introduced in Manipur after coming into force of National Education Policy 2020. The salary for engagement of 1140 pre-primary teachers is supported by the Centre and the State at the ratio of 90:10. However, the fund for payment of remuneration will lapse if the pre-primary teachers are not engaged. Thus, the maximum share for payment of remuneration of pre-primary teachers which has already been released to the State will have to be returned to the Central Government. This has necessitated engagement of teachers for Pre-Primary schools/ sections at the earliest.
4. This initiative on the other hand will not only save the released funds from getting lapsed but also will provide an opportunity to give employment to 1140 youths of the State.

Sd/- Joint Secretary (Edu – S)
Government of Manipur.

HL-B/8668/25

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

লাল্লকসিদা ফ্রন্টলাইনরশিংনা হিমায় চুন্নিকো

(৪৮৫)

ইলেক্সন লাক্লে, পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা ইলেক্সননি। ইলেক্সননা শাফূপীহল্লোইসি, মচেৎ তাহল্লোইসি। ভোট অমা লৈঙাক অমা হিমায় অমা চুমহনসি। থাজবদি লৈতে মীয়াম্না কারক্লবসু চহী ৫ তুমখিবা ঙাক্নি। ইলেক্সননা খাইবুং-খাইবুং তাবীগনু। ইলেক্সননা তুংদা থল্লগা থৱায় থাদুনা মণিপুর ঙাক্লিবা খুল ঙাকপা খূদিংদা থাজবা থমসি। হৌখিবা কয়া হৌজিকসু স্পোর্টসনা থৌনা হাপ্পি। ইন্টরনেসনল, নেসনল অমসুং ষ্টেটতা স্পোর্টসনা লৌবা থৌদাং চাওই। সন্তোশ ট্রোফি, নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট গেমসতা মণিপুরনা মাংদা পুখৎলি। মরকসিদা মেদিকেলনা তুম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনরি, মীদিয়ানসু লাল্লকসিদা হিমায় চুমদুনা লোনা য়াবা য়াদবা ঈ-পাউ পীরি। ষ্টেট ফোর্সসু মোরেদা খূদোংচাদবা কয়া তুংদা থল্লগা মণিপুর ঙাক্লি। মতাংসিদা কুকিদি খূৎলায় পায়বা গ্রুপ অমগা এম এল এ অমগা পুন্না চৎলি। তম্পাক্তি মশা-মশানা পাম্বদা ভোট পীদুনা লাকই। ইলেক্সননা মীয়াম মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাহল্লোইসি। পামজ-পামজবদা ভোট পীবীয়ু। হৌজিক্কী মতাংসে ফ্রন্টলাইনরশিংদা থাজবা থমসি। ইলেক্সন তৌরগা কুকিগী লাল্লোং তোক্লোই। হৌখিবা মতম অমদা সর্ভে অমা তৌখি। নাগালেন্দ টু মাও, কাংপোকপী, ইম্ফাল, মোরে টু বর্ম্মা তাগদবা ফোরলেন শেন্স্বগীদা কুকিনা কাংপোকপীদা বন্দ তৌখি। মরমদি হায়ৱেদু চীংথক্তা আই টি রোদকী মথক্তা পীরক্লিবা মেপতুদি মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টকী নত্তে, সেন্ট্রেলনি মসিদা হায়ৱেদা তৌনিংবদা তৌগে হায়বনি। অমুক ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং-অসাম তাগদবা হায়ৱেসু শোক্লবা লেন্দ, য়ূম, পাম্বীগী শেল পীগনি। মদুসু হেন্না হাপ্পীয়ু হায়না কিহল্লকখি। মতম খরগী মমাংদসু কৈথেলমানবী-জিরি লম্বীদা য়ূম হেন্না শোকহল্লো লুপা লাখ ৩ পীগে হায়। পুন্নমক মায়থীবা পীখি। কুকিনা মফম খূদিংদা লোনা য়াদবা কয়া তৌদুনা লৈ। ঐখোয় খূউ শেনসি। লৌনম তাৎ-পাৎ হায়জবদা ইকাইদবা ষ্টেটসু মদুগা চপ মান্নে। ইমা মণিপুরগী খনবীদুনা ইলেক্সন লাক্লবসু, তৌরবসু খাইবুং-খাইবুংদি তাদনবা হোৎনসি। ইমা মণিপুরনা য়াইফরে।

অদোমগী - লৈবাকমচা খুমনচা,
খুরাই অঙোম লৈকাই, # ৮৭৯৪১৮২৯১৪

লানসি পাক লোইখিরোই

(৪৮৬)

মমাং চহীগী মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্ট অমসুং ৯শুবা অসাম রাইফলসনা ফৌবাকচাও ইখাইদা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা নোংমৈ কাপথরকখিবা অসি ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টকী হান্নদগী প্লান তৌখ্রবা অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা চথরকখিবা থৌওংনি। অদুগা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এ)- কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)গী মিলিটেন্ট গ্রুপ ২৫গা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী এগ্রীমেন্ট অসি ন্যু দেল্লীদা কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দা খূৎয়েক পীনখি। কুকি মিলিটেন্টশিং অসি পুল্লপ্না ৩০ লৈ হায়বা পাউ লৈরি। মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টতি এগ্রীমেন্ট অসিদা খূৎয়েক পীখিদে। অদুদগী কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, গর্ভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং কুকি মিলিটেন্টশিংগা এগ্রীমেন্ট অমমুক খূৎয়েক পীনখি। অসুন্না খূৎয়েক তৌনখিবা এগ্রীমেন্ট অসি মণিপুর মীয়ামদা ৱাহৈ অমা ফাওবা খঙহল্লমখিবা লৈতে। অসুক য়াম্না লুবা, মতুংদা মীয়ামবু ঙমখৈ লৈতনা ৱাহনগদবা এগ্রীমেন্ট অমবু খূৎয়েক পীখিবা হায়বসি ৱাখল ৱাৎপা অমসুং মতিক চাখিদ্রবা ফম্নাইবশিংগী খূদমনি। ঙসি ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক ইরে লৈতে। করিগীদমক মীতৈগী ইচাশিংগী ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংগা কুমজা ২০০৫গী মমাংদা সূগী এগ্রীমেন্ট তৌখিদবগে? এগ্রীমেন্ট অসি মণিপুর ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা তৌনখিবনি। সূগী এগ্রীমেন্ট অসি মণিপুর মীয়ামবু টার্গেট ওইহনবগী অহানবা মৈচমনি। মসি ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী পান্থৈনি। এগ্রীমেন্ট অসিগী মনুংগী এজেন্দা অদু লোৎশিন্দুনা থল্লগা অতোপ্পা ৱাখলশিংদা পূক্নিং চিংশিন্নবগী বি জে পি লৈঙাক্না ৱার ওন দ্রগস, ইভিক্সনগী থবক থৌরমশিং, পোপী প্লান্টেসন, ম্যান্মারদগী মীতোপশিং চঙলকপগী ৱাফমদা মীয়ামগী ৱাখলসি থৈদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা অসিনা ৱাহৈ অমত্তা হায়খিদবগী মরমদি মহাক্না মীতৈ মচাশিং শুংনুং নুংশিদে হায়বসি ময়েক শেংনা উৎখ্রবনি। ইন্দিয়াগী লাইশঙ খূদিংদা চৎলিবা মহাক্না খুরুম্লিবসি মীতৈ হায়বা ফূরুপসি লোইখ্রসনু হায়না খুরুম্বা ওইরমগনি। অফবা মী হায়বসিদি মালেমসিদা হিংলিবা থৱায় পানবা পুন্নমকপু নুংশিবা তাবনি। ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা ইন্দিয়াদা পুল্লগা ফগনি খল্লগা তিল্লুবদগী তৌরিবনি। ঐখোয়গী অশোয়বা মশীং খঙদনা লৈখ্রে অমসুং লৈরি হৌজিকসু। কুকি ইনপি কুমজা ১৯৪৬তা লিংখৎখি। কুকি নেসনল এসেমব্লিসু কুমজা ১৯৪৬তা লিংখৎখিবনি। ঙসি ফাওবদা মীতৈগী এপেক্স বোদি অসি লিংখৎতবা-ঙমদবা অসি খ্বাইদগী অশোয়বনি। ঐখোয়গী এপেক্স বোদি অমা মনুংগী অমসুং মপানগী পুল্লপ পুল্লগা য়াম্না থুনা লিংখৎসি। ইংলিশ লেংগ্বেজ সেন্টেন্স অমা ঙাংবা ঙমদ্রবা ফম্নাইবশিংনা ঐখোয়দা মীনল্লিবা- মণিপুর-ম্যান্মারগী বোর্দর ফেন্সিং তৌগনি- ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম লৈহল্লরোই, এন আর সী চৎনহনগনি হায়রিবশিং অসি মীনম্বা ঙাক্তনি। থাজনিংঙাই লৈত্রবা লৈঙাক অমা ওইরক্লি। অরোইবদা হায়জনিংবদি ঐখোয়গী ফূরুপসি মীরা নৎত্রগা মী মানবা থৱায় পানবরা হায়বসিনি। ৱাখল য়াম্না মুন্না খল্থবীয়ু। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অসি চহী মপূং ফাদ্রিবা নহাশিংগী মফম নত্তে হায়বসি।

অদোমগী - কর্নেল ঐচ শরত (রিটায়র্দ),
# ৮৭৯৮৪৭১০৩১